**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 23.05.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়রি- মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপশিংগী মরুওইবা লাইফমলেন অমদি খুভমশিং তুংগী মীরোলগীদমক য়োকখৎতুনা থম্বগী তঙাইফদবা লৈ।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা চুরাচান্দপুরগী খেংমোলদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবা য়াম্লবা খুলাইশিং ফারে।

৩) মণিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা শাবগী চাং খংহেন হেনগল্লক্লে। রাজ্য অসিগী নোনে জিলানা কুমশি চহিগী খ্বাইদগী শাবা জিলা ওইরে।

৪) লোক সভাগী ৬ শুবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোৎ খোম্বগী মতম ঙসি নুমিদাংৱাইরম লোইখ্রে। মীখল থাংজ নুমিৎতা পাঙথোক্কনি।

অমসুং

৫) ৭ শুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগী ভোৎ খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে।

------

নিংথৌ (এল)ঃ রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়রি- মণিপুরদা লৈরিবা য়েলহৌ ফুরুপশিংগী মরুওইবা লাইফমলেন অমদি খুভমশিং অসি তুংগী মীরোলগীদমক য়োকখৎতুনা অমদি শেমগৎ শাগৎতুনা থম্বগী তঙাইফদবা লৈ।

ৱাফম অসি লৈবাক্কী য়াইফনবা, চাকহোং ঙাহোংনবা চহি খুদিংগী কালেনগী থানিল নুমিৎতা ইবুধৌ নোংশাবা অমসুং ইবুধৌ পাখংবা অনিগী মফমদা চেংবী চেংবা হৈদুনা য়াইফ থৌনিজবা চেং হোংবা থৌরমদা শ্রী লৈশেম্বা সনাজাউবনা ফোংদোকখিবনি।

ইম্ফাল ইষ্টকী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সনা কোনুং উত্রা শঙলেনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইবুধৌ নোংশাবা অমসুং ইবুধৌ পাখংবা অনিগী মফমদা চেংবী চেংবা হৈদুনা য়াইফ থৌনিখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম.পি লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়- ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি নিংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌদুনা লমদম অসিদা পানখিবা নিথৌরোল কয়াগী হক্তক্তগী মৈনা ৱাই, তাংনা শম কাইফদবা থৌরম অমা ওইনা পাঙথোক্কুনা লাকখিবনি। মহাকা মখা তারদুনা লমদম অসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিংনা লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংনা থন্বীরম্বা লাইনিং লাইশোলগী য়ামা মরুওইবা অহকপা লাইফমলেন অমদি খুভম কয়া অসি থৌশাদবগুম তৌরি। অসিগুম্বা মফম কয়া অসি য়ৈখায় থুগাইবা য়াওনা অমাং অতা থোকহল্লিবা অমদি মাংহন্নবা হোৎনরিবশিং অসি লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা ওথোরিতিনা মতিক চাবা থবক লৌখৎহন্নিংই।

ইবুধৌ নোংশাবনা মালেমদা অহানবা ওইনা খোঙগুল্লকখিবা ককচিং জিলাগী মনুং চনবা মন্তক্তা লৈবা লাইয়িংথৌ নোংশাবগী খুভমদসু ঙসি চহি অসিগী ওইবা লাইয়িংথৌ নোংশাবা চেং হোংবগী থৌরম অসি পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা অঙোম নিংথৌ পোইরৈতোন, কাংলৈ পীবারেল য়াওনা ফম াইবশিং অমসুং পেনা লোইশঙগী মরুওইবা মীওইশিং শরুক য়াখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা পোলিতিকেল এক্তিভিষ্ট সাপমচা কংলৈপালনা লুচিংবা কংলৈ ঙাকলৌগী থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ঙসি কালেনগী থানিল নুমিৎতা চহি খুদিংগী পাঙথোকপগুম ইম্ফাল তুরেলগী পাউতাক হিদেনদা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দকী মাইবরেল মাইস্নাম ইবোবনা লুচিংদুনা লৈবাক্কী য়াইফনবগী খয়োম লাক্কুনা থৌনিখ্রে। লমদম অসিদা অৱা অনা তারিবা অমদি তুরি ইরৈ চেল্লম্বা পুমমক কোকনবা সনা কোনয়াই, লুপা কোনয়াই থাদুনা খয়োম লাকখি।

এরেষ্ট (এল)ঃ রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথ্‌বদা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ অনিগী মীওই অহুম ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়- ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কাংবু অমনা ঙরাং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা খুরাই কোংপালগী অকোইবা মফমশিংদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথ্‌বদা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ প্রিপাক (প্রো)গী মীওই অনি ফারে। মখোয়দগী শেল ওইনা লুপা লিশিং ৩৫, হোন্দা এক্তিভা অমা, মোবাইল ফোন অহুম অমদি ৱালেট অমা ফংখি। ফারবা মীওইশিং মখা তাবা আইনগী থবক লৌখৎনবা পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কাংবু অমনা ঙরাং অয়ুক নুঙ্ক লমখায়দগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.ৱাই.কে.এল-সোরেপাগী মীওই অমা ফারে। ফারবা মীওই অদু ককচিং খুনৌ চেকশাপাৎ মমাং লৈকাইদগী হৌজিকনা উমাথেল মখা লৈকাইদা লৈবনি। মহাক মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি। মখা তাবা থবক লৌখৎনবা শুগুনু পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা ঙরাং চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবু অমনা শঙাইকোত পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খেমোলদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথ্‌বা য়াম্লবা খুলাইশিং ফারে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়- ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা- তুয়েল্ব বোরগী স্নাইপর অনি, মেগজিনগা লোয়নবা কন্ত্রি মেদ নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, গ্যাস গন অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, মেগজিন অমা অমসুং অতৈ খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম য়াওরি।

ৱার্কসোক (এল)ঃ কেন্দ্রগী কলচর মন্ত্রালয়গী রিপরটরি গ্রান্ট স্কিমগী মখাদা পাব্লিক থিয়েটর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসন, নম্বোল ফোইজিংনা পুথোকপা ত্রেদিসনেল পুরানিক ড্রামাদা য়ুম্ফম ওইবা- নাপল অমসুং ভক্তি হায়বা হিরমদা থা অমা চুপা চথ্‌রকপা থিয়েটর ৱার্কসোপ কম প্লে প্রদক্সন লোইশিনখ্রে।

পাব্লিক থিয়েটর হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা ই.জেদ.সি.সি কোলকাতাগী বোর্দ গভর্নরসকী মেম্বর বুধা চিংথামনা হায়-থিয়েটরবু কুম্মৈ হৱাউ ওইনা খনবিগনু, পীকখ্রবা লিলা মচা অমনা মালেম অসি হোংহনবা ঙম্মী। মহাকা হায়- থিয়েটরনা ঐখোয়গী ৱাখল, ঐখোয়গী অরানবা লম্বী হোংদোকহনবা ঙম্মী। ইরাং লৈবা লমদম অমদা থিয়েটরগী থৌদাং য়ামা চাউই হায়রদুনা থিয়েটর আর্ট অসি স্কুলগী করিকুলমদা য়াওহন্দুনা হৌরক্লিবা মীরোলদা অফবা খুন্নাই অমা শেমবগী ৱাখল্লোন চেলহনবা তঙাইফদে।

ৱার্কসোপ অদুদা অঙাং আর্টিষ্ট ১৬ য়াওনা পুন্না আর্টিষ্ট ৪১ না শরুক য়াখি। লোয়ননা শরুক য়াখিবশিংদা সার্তিফিকেটশিংসু য়েন্থোকখি।

রেড ক্রোস (এল)ঃ ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি ককচিং ব্রাঞ্চকী অহানবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ফ্রি প্লাষ্টি গারবেজ হায়বা পান্দমদা লম-তু শেংবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অসি ঙসি ককচিং জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারসু ওইরিবা সোসাইতি অসিগী প্রসিদেন্ট রোহিত আনন্দনা লমথাখি। লম-তু শেংবগী দ্রাইভ অদু দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সতগী হৌরগা ককচিংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চত্থখি। দ্রাইভ অদুদা খা মণিপুর কলেজগী য়ুথ রেড ক্রোস য়ুনিত, গ্রেস কোতেজ একাদমিগী জ়নিয়র রেদ ক্রোস য়ুনিত অমদি মার্তিন গ্রামার স্কুল ককচিংগী থৌমীশিং শরুক য়াখি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ব্রাঞ্চ অসি চহিগী ওইবা মীফম অমসু ককচিং ময়াই লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখি।

সিপিআই (এল)ঃ কম্ম্যুনিষ্ট পার্তি ওফ ইন্দিয়া (সি.পি.আই) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী চেরোল অমনা হায়রি- চহি হেল্লক্লবা মণিপুরগী ইরাং অসি রাজনীতিগী ৱারোইশিনগী মতেংনা তংদ্ লৈতাবা অমসুং ইং তপ্পা লৈবাক অমা শোইদনা পুরক্কনি।

চেরোল অসিনা হায়- সি.পি.আইনা হৌখিবা চহি ২০২৩ গী মে থাগী থখায় হেল্লকপদগী সরকারগী মফমদা তকশিনখিবগা লোয়ননা ভারত শিনবা থুংনা খোঙজং চংশিনখ্রে। হৌজিকসু লেপ্পা লৈতনা চংশিনখিগনি। মণিপুরগী মীখল লোইখ্রে অদুবু তৌগদবা থবকশিং অমত্তা পায়খৎতনা লৈবনা ইরাং অসি পাকথোক চাউথোকবা লন্বী ওইরক্কনি। মরম অদুনা ইরাং অসি লোইশিন্নবা রাজনীতিগী ৱারোইশিন অমা পুরকপা তঙাইফদে হায়রি।

শাবা (এল)ঃ মণিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা শাবগী চাং খংহেন হেনগল্লক্লে। হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা অখাক অরাউগা লোয়ননা মফম কয়াদা নোং চুবদগী শাবগী চাং হন্থরক্তুনা মীয়ামা নুংশা শ্বোর খরা হোন্দোক্লুরবনি। অদুবু ঙরাং অমসুং ঙসি শাবগী চাং ৱাংখৎলক্তুনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োকরে।

কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রালয়না মীয়ামা কালেন থাগী মতমদা তৌগদবা অমসুং তৌরোইদবশিংগী এদভাইজরি অমা থোকখ্রবনি। মীয়ামা লন্বী শোরোক্তা থোকপা মতমদা ছাতিন নত্রগা তুপী শিজিন্নবা, য়ুমগী থোঙ থোংনাউশিং য়ারিবা মখৈ হাংদোক্তুনা থন্বা, হকচাং ইংথহন্নবনি হায়দুনা চিনিগী শরুক য়াওবা কোল্ড ড্রিঙ্কনচিংবা থকপীদনবা, য়ুমদগী চৎথোকপা মতমদা থকবা ঈশিং পুবা, ও.আর.এস নত্রগা য়ুমদা শেমজবা চম্প্রা মহিনচিংবা থকপা, তঙাইফদ্রবদি য়ারিবা মখৈ নুংশাদা থোক্তনবা হায়রি।

ইম্ফালদা ঙসি শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৩৩ ওইখি। নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিংগী চাংনা চাদা ৮২ ওইখি।

রাজ্য অসিগী নোনে জিলানা কুমশি চহিগী খ্বাইদগী শাবা জিলা ওইরে। জিলা অদুদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪০ গী চাং য়ৌরে হায়রি। শাবগী চাং হেনগৎলকপনা জিলা অসিদা লৈবা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীরে। জিলা অসিদা লৈরিবা মীয়াম নুংথিলগী মতমদা য়ুমদগী মপান থোকপা ঙমদ্রে। লোংমাই বজারদা দুকান ফন্নিবশিংনা ফোংদোরকপগী মতুং ইন্না শাবগী চাং হেনগৎলকপনা কৈথেলদা পোৎ লৈবা লাকপা মীগী মশিং কা হেন্না হন্থরে।

ইন্সাং নাপী য়োল্লিবশিং মখোয়না য়োল্লিবা পোৎলমশিং শাবনা মরম ওইদুনা কংশিল্লক্কুনা মাংলগদ্রা হায়বগী মীপাইবা পোকরে।

অমরোমদা, দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ মণিপুরনা পীবা অঙ্গৎ অশাগী রিপোর্ট মতুংইন্না ঙসি জিলা অসিদা সেলসিয়স দিগ্রি ৩৯.১৮ য়ৌনা শাখি হায়রি।

ইন্তররেক্সন (এল)ঃ তমেংলোং জিলাগী হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইল বিভাগনা শিন্দুনা ঙসি তমেংলোংগী পোলোগ্রাউন্দ মনাক্তা লৈবা জলিয়াংরোং য়ুনিয়ন এসেমব্লি হোলদা ফিশাবীশিংগা উন্নবগা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা তমেংলোংগী প্রোজেক্ট মেনেজর কে.এস. জোননা হায়- ইয়োং ফি শারিবা ফিশাবীশিংনা ৱিভর কার্দকী মখাদা বেঙ্কতগী শেন্থংশিং লৌথবা য়াই। করিগুম্বা ফিশাবীশিংনা বেঙ্কতগী লৌথরিবা শেন্থংশিং অদু মতম চানা শিংবা তারবদি মখা তানা শেন্থংশিং সবসিদি য়াওনা লৌথবা য়াবগী খুদোংচাবসু পীরি। মহাকা হায়- সরকারনা পীরিবা ফিশাকোলশিং য়ারক্তবা য়াওরবসু সরকারনা লেমা শেমগনি। ফিশাবীশিংনসু মতম চানা মরী লৈনবা বিভাগশিংদা পাউ পীরকবসু খঙহনখি। লোয়ননা মথং থাদা দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইল তমেংলোংগী মখাদা ফিশাবীশিংগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকবা থৌরাং তৌরি।

হোস্পিতাল (এল)ঃ নোনে জিলাদা অহানবা ওইনা ঙসি লোংমাই বজারদা লনাই হোস্পিতাল অমা নৌনা হাংদোকখ্রে। মকাম হোস্পিতাল এন্দ রিছার্স ইন্সটিট্যুট (এম.ঐচ.আর.আই) হায়রিবা লাইয়েংশঙ অসি ঙসি হিল এরিয়াজ কমিতিগী চেয়ারমেন- দিনগাংলুং গাংমৈনা হাংদোকখিবনি। ফমুং ৫০ লৈগদবা লায়েংশঙ অদুগী ঙসি হাংদোকপা নুমিৎতা অনাবা অনি লেমা ওপরেসন তৌবগা লোয়ননা মীওই ১০ দা মেদিকেল চ্যেকঅপ তৌবগী খুদোংচাবা পীখি।

যুএফও (এল)ঃ জিরিবাম জিলাগী চম্পানাগরদা লৈবা য়ুনিভর্সিয়েল ফ্রেন্দসিপ ওর্গনাইজেসন (য়ু.এফ.ও) ৱেষ্টর্ন হেদক্বাটর নম্বর-থ্রিনা শিন্দুনা মীতৈ হুইয়েন লাল্লোং শিন্দম শঙলেন শজাল একাদমিগী ৪৩ শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ইন্তিগ্রেতেদ কলচরেল সোসাইতিগী হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দিবোং গ্রাম পঞ্চায়টকী এদমিনিষ্ট্রেতিভ কমিতিগী চেয়ারমেন আর.কে. নোবিন সনা, য়ু.এফ.ও ৱেষ্টর্ন সেন্ত্রেল কমিতিগী প্রসিদেন্ট কোলোম খুমনজাউনা মরুওইবা মীথুংশিং ওইখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা য়ু.এফ.ওগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট ওইরম্বা আর.কে. মনিসনাগী ফোটোদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুমখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা মীতৈ হুইয়েন লাল্লোং শিন্দম শঙলেন শজাল একাদমি লিংখৎখিবগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি।

থাং-তা (এল)ঃ কংলৈ ইন্দিজিনস মার্সিয়েল আর্ট এন্দ কলচরেল সোসাইতি (কিমাক্স)না শিন্দুনা মঙারকসুবা ইন্তর স্কুল থাং তা কম্পিতিসন ২০২৪ ঙসিদগী খুমন লম্পাক্কী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হৌদোকখ্রে। থা অসিগী ২৫ ফাওবা চখৎগদৌরিবা চাংদমবা অসিদা শাজেল অমসুং থাংলোন খোঙচৎ হায়বা হিরমদা অথোই অহেন তান্নগনি। চাংদমবা অসিদা তোঙান তোঙানবা স্কুল ২০ দগী লাকপা মহৈরোইশিংনা শরুক য়ারি। ঙসি হৌদোকপগী থৌরম অদুদা য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টসকী দাইরেক্তর টি. ফুলেন্না অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোইশিংনা থাং তাগী অপুনবা দেমোন্সত্রেসন অমসুং কিমাক্সনা থাং তাগী কুম্মৈ কয়া উৎখি।

ফুটবোল (এল)ঃ ক্লাসিক ফুটবোল একাদমি চীংমৈরোং, এ.আই.এফ.এফ আন্দর সভেনতিন য়ুথ লিগকী ফাইনেল চংলে। ঙসি গোৱাগী নাগাউ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অনিসুবা সেমি ফাইনেলদা ক্লাসিক ফুটবোল একাদমি চীংমৈরোংনা ফুটবোল ফোর চেঞ্জ কাংপোকপীবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি। লিগ অসিগী ফাইনেলদা ক্লাসিক ফুটবোল একাদমি অমসুং শুদেব দিল্লি এফ.সি থেংনরগনি।

বোল (এল)ঃ   থৌবাল জিলাগী ৱাংজিং কোদোমপোকপী গ্রাউন্দদা চথরিবা ৬৩ শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল সুব্রোতো ক্লব ইন্তরনেসনেল ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৪ গী ঙসিগী মেটচতা ৱিজদম ফাউন্দেসন খাঙবোকনা খোংজোম ষ্টেন্দর্দ ইংলিস স্কুলবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখ্রে।

সোক্কর (এল)ঃ   মণিপুর বেপটিষ্ট কনভেন্সনগী মীৎয়েং মখাদা লিয়াংমাই নাগা বেপটিষ্ট এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা নুমিৎ নিনি চথগদবা পিছ সোক্কর ঙসিদগী সেনাপতিগী এষ্ট্রোটর্ফ গ্রাউন্দদা হৌখ্রে। মসিদা তোঙান তোঙানবা টিম ১১ না শরুক য়ারি।

ৱাইসিবি (এল)ঃ ১৬ শুবা ৱাই.সি.বি অন্দর থার্তিন ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা মার্জিং এফ.সি বামোন লৈকাইনা ষ্টার এফ.সি থাংজম লৈরকপু পাঞ্জল ৩-০ দা অমদি  বি.এফ.সি কোংবনা জোভিয়েল বেলোনা এফ.সি ইরোম মৈজ্রাউবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

মীখল ঃ   লোক সভাগী ৬ শুবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোৎ খোম্বগী মতম ঙসি নুমিদাংৱাইরম লোইখ্রে। মীখল থাংজ নুমিৎতা পাঙথোক্কনি। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ৮ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী পুন্না লোক সভা কেন্দ্র ৫৮ দা ভোৎ থাদনগনি। সিটশিং অদুদি- বিহারগী ৮, হরিয়ানাগী ১০, জম্মু কাশ্মীর য়ুনিয়ন তেরিতোরিগী ১, ঝারখন্দগী ৪, দিল্লিগী ৭, উরিষাগী ৬, উত্তর প্রদেশকী ১৪ অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী ৮ নি। মীখল অসিদা মীরেপ ৮৮৯ না লম্বা তৌনগনি। ভোৎ থাদবা অয়ুক পুং ৭ তগী হৌরগা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তা লোইশিনগনি।

মরক অসিদা, ৭ শুবা তাঙ্কক্তা লোক সভা মীখলগী ভোৎ খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি পঞ্জাবগী পাতিয়ালা টাউনদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাংখি। রেল্লি অদুগী পন্থুংফম ওইরিবা পোলো গ্রাউন্দদা অকনবা ঙাকশেলগী থবক লৌখৎখি।

বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট জে.পি নদ্দা, উত্তর প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি যোগি

অদিত্যনাথ অমসুং অসামগী মুখ্য মন্ত্রি হিমন্তা বিশ্বা শর্ম্মনা উরিষাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা মীতিনশিংদা ঙসি ৱা ঙাংখি। বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনসু নোংচুপ থংবা দিল্লিগী দ্বারকা এরিয়াদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনদা ৱা ঙাংখি।

অমরোমদা, কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা অৱাং নোংপোক থংবা দিল্লিগী দিলসাদ গার্দেন এরিয়াদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনদা ৱা ঙাংখি। বি.জে.পিনা লুচিংবা সরকারবু লাইরবগী পনখৈ মখাদা লৈবা মীয়ামগী থবক তৌদবা অমসুং মান্নবা মীৎয়েংনা য়েংবা ঙমদবা সরকারনি হায়না মরাল শিরি। মহাকা হায়- সরকার অসি করৱারৱালাশিংগী য়াইফনবা খক তৌবা সরকার অমনি। সরকার অসিগী মতমদা লৈবাক অসিগী নহা কয়া থবক ফংদবগী সমস্য মায়োকরে হায়না মহাকা ফোংদোকখি।

------